# মীহাৎপই চৈরাক ফংখ্রবা অমনা মীহাৎপা ওইরমদ্রবদা

‘পোল ফুট’ হায়বা ওইরমাল্লে, রাইটরদুগী মমিংদু। ঙসিদগী চহী ৪৮-৪৯মুক্কী মমাঙদা ইম্ফালগী সেন্ট্রেল লাইব্রেরিদা তোয়না চৎলিঙৈ বোরোৱর অমা ওইনা লাইরিক ৱায়রগা পারিঙৈ, ঐনা পামজনা পাখিবা লাইরিক অমা ঙসি খঙনীং নীংশিংলকই। অইবদু নোভেলিষ্ট/পোইট অমগুম্বা প্রোফেসনেল রাইটর নত্তে। ইনভেষ্টিগেটিভ জর্নেলিষ্ট’নি। মহাক্না থিজিন হুমজিন তৌরুবা অঙক অঙকপা থৌদোক-ৱাথোকশিংগী রিপোর্ট, মরক-মরক লাইরিক ওইনা ইথোক্লগা ফোঙবনি। ঙসি ইন্দিয়াদা চৎলিবা ‘হুসেন এস জইদি’ গুম্বা অইবনি। ২০০৪দা থূপখরে।

‘হু কিল্ড জেমস হনরাত্তি’ (জেমস হনরাত্তি হাৎখিবদু কনানো) হায়না মিংথোনবা ইংলিস লোন’দা ইবা লাইরিকনি। ১৯৭৪-৭৫ অদুৱাইদা ওইরমগনি। চপ চানা নীংশিংদ্রে। লামায় ৪৯০-৫০০ মুক থাবা লাইরিক ওইবনা ৱায়নবগী পীবা মতম নুমিৎ ১৫দুগী মনুংদা পাবা লোইবা ঙমখিদে। থিল্ল’লৌর’, থিল্ল’-লৌর তরামঙা-কুনলক লৌরদুদা লাইব্রেরি এসিষ্টেন্ট’দুনা হায়খিবনি... ‘ইবুংঙো, নঙ লাইরিকসি য়াম্না পাল্লবদি লৌজরো, নঙগী ওইজরো’...। অদুবু ঐ লৌখিদে। মতমদুদা ঙসিগীসিগুম ‘হোম লাইব্রেরি’ অমা লীংবগী ৱাখল লৈরম্লবা লৌরমগনি ঐ। দোনেটেদ বাই হায়রগা অহলদুগী মিং ইরমগনি। মহাক কনা নত্তে - পোৎশংবম অচৌবা, খাগেম্পল্লিদগী চীফ লাইব্রেরিয়ন ওইনা রিটায়র তৌখিবা অহলদুনি।

ৱা’সি থৈখিদৌর’মাল্লে। লাইরিক্তুগী মরমদা লাকচরগে। পাখিবা কুইরবা ওইবনা নীংশিংলগা ইবসি মরীক চুম্বা ৱারেং অমদি ওইগনি থাজদে। পাবীবা কনা য়াওরম্লবা, অশোয় অঙাম তাকপীরকউ চুমথোকচগে। অমাজোনগী খূৎথাংদা চেনগে হোৎনজরুবা - কোপি ফংলরোই হায়রকপদা থম্মোয় কায়খি।

ৱারীদু য়াম্না ইন্টরেষ্টিং ওইবনি। মতমদুদা মশাগী চহী ২৬ শুরবা ‘জেমস হনরাত্তি’ কৌবা নহা অমা চহী ৩৬ শুরবা ‘মাইকেল গ্রেগষ্টন’ কৌবা সাইন্টিষ্ট অমা হাৎপগী (এ-সিক্স মর্দর হায়না খঙখিবা) গী মরালদা, এপ্রিল ৪, ১৯৬২ মীওই ৯০,০০০না ‘মহাক মরাল লৈতে’ হায়বা ৱাকৎ (পিটিসন) অদু তাবীদনা লন্দনগী ‘বেদফোর্দ জেল’দা মঙক্তা থৌরী থুদুনা (ফাঁসি তৌদুনা) হাৎখিবা মীশক অমনি।

লাইরিক্তু পাখিবা কুইরবনা থৌদোক ৱাথোক ময়ামদু মরীক চুন্নদি নীংশিংদ্রে। অদুবু, পামজনা মুন্না পাখিবা লাইরিক ওইবনা মরু ওইবা থৌদোকশিং অমদি থৌদোক্তুনা মরম ওইদুনা লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা ৱাথোক ওইরকখিবা, লৈবাক্তুগী লো ফাওবা শেমদোকখিবা... অসিগুম্বা অপৌবা ৱারোল খরদি ঐগী ব্রেনগী মেমোরি সেল (নিউরোন) শিংদা ঙসিসু তূংদুনা লৈহৌরি। থৌদোকসি য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইনা ইংলেন্দ’দা লৌনরিবগী মরম অমদি - ১৯৬৫দা মতম চূপ্পগী ওইনা, মীহাৎপগী মরাল লৈরবা মীশক অমবু শিবগী চৈরাক (কেপিটেল পনিসমেন্ট) পীবগী লো চৎহনখিদবগী অচৌবা মরম অমা ওইখিবা কেস অমনি - জেমস হেনরত্তি’বু প্রাইম এক্ক্যুজ অমনি হায়দুনা মরাল শীখিবা ‘এ-সিক্স মর্দর কেস’। মর্দর (এবোলিসন ওফ দেথ পেনালটি) এক্ট, ১৯৬৫-চেপ্টর ৭১-বৃটিশ পার্লিয়ামেন্ট’না পাস তৌদ্রিঙৈদা ইকোন কোন্না শিবগী চৈরাক পীখিবা ক্রিমিনেল নিপান’দুগী মনুংদা অমনি ‘জেমস হেনরত্তি’। মরাল লৈতবা মী অমবুসু শিবগী চৈরাক পীবা য়াবা আইন, মীওইবা মরক্তা লৈহেদে হায়বসিনা মরু ওইবা কন্সিদরেসন’নি।

হেনরত্তি’গী ৱারীসি নোভেল ওইনা/দ্রামা ওইনা ইথোকপদা অপাবা/অয়েংবশিংদা থ্রীল্লিং ওইগদবা মচাক্লা থন্না য়াওই। অদুননি ‘পোল কুক’না লাইরিক ওইনা ইথোক্লল্লিবা। ওগষ্ট ২২, ১৯৬১গী অহিংদা থোকখিবা মীহাৎপগী কেস অমগা মরী লৈননা, থিজিন হুমজিন তৌদুনা ৱায়েন চথুরবা তুং মরাল লৈরবা মীশক অমনি হায়দুনা জেমস হেনরত্তি’বু এপ্রিল ৪, ১৯৬২দা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখি। চেনবা য়াদ্রবা প্রমানশিং, কোর্ট’তা পুথোকখিবদু হেনরত্তি’না য়াখিদে। মীহাৎপদু মহাক নত্তে... য়েৎখি, লাউখি-মহাক্কী পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ অদুফাও।

মরাল লৈরবা মীশক্তু ৱায়েলশঙ’না প্রমান পীদুনা হাত্তোকখ্রবা ৱাথোক অদু ৱাখৈরবনি, ৱায়েলশঙগী পন্দুপ অমা মতাংদুদা লোইরবা। অদুবু হেনরত্তি’গী কেস’তদি, মতাংদুদা লোইখিদে। হেনরত্তি’না হাৎখি হায়রিবা সাইন্টিষ্ট ‘মাইকেল গ্রেগস্তন’গী গর্লফ্রেন্দ, থৌদোক্তুদা শিনীংচিৎতা হিংহৌবী, মশাগী ইকায়খুম্নবা মাঙল’তুং নোংমৈ মরূ মঙা পাল্লগা শোইনাইবী অমা ওইহৌরবী ‘ভেলরী-ষ্টোরি’গী জবান্দগী পুলিসনা নেকপা লাইয়েকপা অমদা য়েকথোকহনবা শক্তমদু মানবা মী, ক্রিমিনেল রেকোর্দ লৈবা খরা ফাগৎলগা ‘ষ্টোরি’ গী মীৎমাঙদা লেপহল্লগা শক্তাকহনখিবনি ‘জেমস হেনরত্তি’। থৌদোক্তুগী মতুংদা লেংজুমগী মখা থংবা হকচাংগী শরুকমখৈ লেঙ’-ওৎপা ঙমদ্রবী ‘ষ্টোরি’ না পীবা ‘ষ্টেটমেন্ট’কা, ‘হেনরত্তি’বু ৱাহং-পাউহং তৌবদা পুলিসনা ফংবা রিপোর্ট’কা অনী অসি চানখিদে। হেনরত্তি’না হায়, পুলিস’না য়েকথোকহল্লিবা শক্তম অদু মহাক্কী নত্তে, শকমান্নবা অমা ওইরমগনি। স্কুল দ্রোপ-আউট অমা ওইরকখিবা, লাইরিক-ময়েক চত্তবা অঙাং ওইনা হৌরকখিবা ‘জেমস’ - পূমকক চাউরকপদা মীগী মপোৎ লাকপা অমদি হুরানব’নচিংবা ক্রাইম মচা মচা খরদা চেন্নরম্বগী রিপোর্ট লৈরম্বদুদা পুলিসনা ‘জেমস হেনরত্তি’গী মফমদা চিংনবগী চাং হেনগৎহনখি। মহাক্না হায়রিবা পূম্নমক ওইদবা/মীনম্বা ঙাক্তনি হায়বা ইমপ্রেসন লৈথোকখি। পুলিস’না থাদোরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না, থৌদোক্তু থোকখিবা অহিংদুগী নোং’ঙাল্লকপা, অয়ূক অঙনবদা মকোক্তা নোংমৈ মরূ অনী পাল্লবা ‘মাইকেল জোন গ্রেগষ্টনগী অশিবা হকচাং থেংনখি। মনাক্তা, ইলাপ লাপ্ন দনা, গ্যান তংখায় মাঙলবী ‘ভেলরী ষ্টোরি’ তাদুনা লৈরমখি। মফমদুদগী লাপ্তক্লা হুন্দোক্তুনা থল্লমখি, মখোয় অনীনা তোংলকপা কার, মাইকেলগী মনে অমসুং মাম্মগী মমিংদা লৈবা মখোয় অনীনা শীজিন্নবা। ‘মাইকেল গ্রেগষ্টন’ - মতমদুদা মচা অনী লৈরে। নুপীগা খাইনরগা, মহাক্কী ওফিসতা এসিষ্টেন্ট ওইনা থবক তৌবী ‘ভেলরী ষ্টোরি’ গা নুংশিনৈ মাইকেল, লেবোরেটরি অমদা সাইন্টিষ্ট ওইনা থবক তৌবনি। লৈমিন্নে, অদুবু লুহোংদুনা লৌরবী নুপীদি নৎখিদে। গ্যান মাঙদুনা লৈরুবী ‘ভেলরী’না ৱাখল তারক্লবা মতুং, পুলিসকী ৱাহং-পাউহংদা হায়দোরকখি ...

‘১৯৬১, ওগষ্ট ২১গী নুমিদাংৱাইরম ওফিস মতম লোইরগা মহাক্কী বোয়ফ্রেন্দ ‘মাইকেল’ গা লোয়ননা সহরদুগী চিদাইদা কোয়থোক্লম্মী... নায়তোম তারবা চীক্লবা, ইন্টিমেট ওইরবা মীকুপ্তুদা খঙহৌদনা মাইকেলগী মকোক্তা নোংমৈ চীন্দোলথল্লগা নুপা অমনা হায়রকখি ‘লেঙগনু! নখোয় অনী ঐনা হায়বা ৱাদুতমক ইনগদবনি, মদুতনা নখোয়গী য়াইফবা ওইগনি... গাড়ীদু ঐনা হায়বা মায়কৈদতা থৌগদবনি’...। ৱারীদা মুনখিদুনা, করম্বা মীকুপ্তা নুপাদু মখোয়গী কারগী বেকসিট’তা ফল্লখিবনো খঙহৌদ্রে। ফনা শাংনা থৌরক্তুনা লমহাঙ অমা য়ৌরক্লব’কান মফমদুদা পুং অনীরোম খামহনখি। মরী লৈনবা/লৈনদবা, মকোক-মমৈ শম্নদবা ৱা কয়া ঙাঙদুনা লৈখি। অমম্বদুদা মশক্তু ময়েক শেংনা উদে, ‘থিংস’ হায়বা ৱাহৈদু ‘ফিংস’ হায়না খোম্হোকপা ‘থিঙ্ক’ হায়গদবনা ‘ফিঙ্ক’ হায়রকপদুদা চাওখত্তবা মীওই কাঙলূপ অমবু নীংশিংহল্লকখি। নুমিদাং পুং তরামাথোই-মখায়মুক তারকপদা মহাক চাক লাল্লে হায়দুনা অমুক থৌহল্লকখি, লম্বীদা গাড়ী থাউসু হালহল্লকখি। অচাপোৎ খরগা লোয়ননা, চুরুট খরসু লৈহনখি। ৱারীদুদগী মহাক্লা (ভেলরী) খঙহৌবসি ... নুপাদু খম থেংনা ঙাওচৎনরবা/নীংবা কায়রবা, নুমিৎ মরি-মঙানি পল্লেপফম খঙদনা লেল্লক্লবা নুপা অমনি... হায়বসিখক্তনি। খরা চৎলগা, মী লৎনা তাবা মফম অমদা খামহল্লগা অচা অথক খরা চারবা মতুংদা হায়রকখি, “ঐ তূম্নিংলে, নখোয় চেনখিবা য়ারোই, ঐনা পুন্দুনা থমগনি’। মাইকেলগী ‘নেক টাই’ দু লৌথোক্লগা ‘ভেলরী’ মখূৎ তুংলোমদা পুনশিল্লি। ‘ঐ নঙোন্দা শেলসু পীগে, কারসিসু পুজখ্রো, নঙগী ওইজরো’... মাইকেলনা হায়বদু করি খল্লুরবনো খঙদে, মকোক্তা নোংমৈ মরূ অনী কাপশিনখি। ভেলরী’না লাউখি। ‘করিগী হাৎলিবনো’ হংবদা ‘চেনগে তৌবগী কাপ্পনি’ খুন্নকখি হায়। ‘ভেলরী’বু কার মনুংদা পুশিল্লগা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবসু মাঙহনখি। মহাক্কী অপেনবদু ফংলব’তুং চিংথোক্লগা নোংমৈনা অমুক কাপশিল্লমখি। মরূ লোইথোকখিদুনা অমুক হানজিল্লগা কাপখি। মরূ তরেৎ কাপ্পদা মঙা মঙোন্দা পানখি - লেংজুমদা মরি ঙকশমদা অমা। শিশিন্নরিবা ভেলরী’বু শিরে খন্দুনা হুন্দোক্লম্লগা, কারদু থৌরগা চৎখি। থৌখিবা কার খূৎথৌদুদা খঙখি- ‘মহাক গাড়ী থৌবা হৈতে’, গিয়র পানবা, মমায় চুম্বা হৈতে, ঙংলগা ফৈরেং তুরেং থৌখি। খরা থৌরগা ইলাপ লাপ্নদনা হুন্দোক্লমখিবা - মরম অদুননি - পুলিসশিংসু থাজখি।

লমায় চামঙামুক পানবা লাইরিক ইখিবদু চাউরবা ৱারী অমনি। ৱাহৈ খরসিদা করম’ ফোঙদোক্লগনি। লোইশিনখ্রবা কেস অমা, মী অমা হাৎলুবগী মরাল লৈরে হায়দুনা শিবই চৈরাক পীখ্রবা মীশক অমা, মরাল লৈরমদরে হায়দুনা নৌনা প্রমান পীরবা, কনানা কনাবু করি চৈরাক পীদৌরি? ৱাহংসিনি হংখিবা অইবা জর্নেলিষ্ট অদুনা। মতমদুদসু লোইখিদ্রিবা কেস অমনি। খঙদে, হৌজিক্তি লোইরম্লগদ্রা? জেমস হেনরত্তি - মীহাৎপদু নত্তে হায়বদি য়াখ্রবনি, মহাকপু মীহাৎপনি শক্তাকখিবী ‘ভেলরী ষ্টোরী’নসু।

—*ইন্দ্রকুমার*

# ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনীগী ‘মালেম আতিয়া’ না হায়রি - (৩)

জুল্লিনা মালেম্বু পুননবা হোৎনবদা মপা রোমিওনা থিংলবদা জুল্লিনা মপাদা হংখি - “পাপা নঙনদি মতম খুদিংমক্তা মীবু নুংশিয়ু, নুংশিবা লৈতবা থম্মোয়দি অকংবা মরুভুমীনি হায়খিবদাই!” জুল্লিগী ৱাহৈ পরেং অসিদা মপাসু য়ানীংলক্তুনা মালেম্বু পুরকখিবনি। হৌজিক্তি মতৌ করম্না মালেম্না চুড়াচান্দপুর য়ৌরক্লিবনো হায়বদু খঙলবসু মালেমগী ৱাখল লমুক্লরে। মহাকপু ৱানা থিরমগদবা যোসেফকী যূমদা হনগদ্রা নৎত্রগা মমা মপাগী মনাক্তা হনগদ্রা হায়বা চমন্নরে। অতিয়াসু মপালদা লাইরিক তম্বা চৎখিবদু অরোইবা চাংয়েং পীরম্লগা থোরকপদা মমান্নবা পিটরগী দিমাপুরদা লৈবা যূমদা নুমিৎ খরনি কোয়বা ওইনা পন্থরম্মী। মতমদুদা লোত্তুনা লৈরিবা মালেমগী খুদোপ শিখিবা নুপীমচাদু মখোয়গী পোৎফমদা মালেম্না থেংনখি। মতমদুদা নুপীমচাদুনা শিরিবা মমিং মথা ইবা খুদোপ্তু অতিয়ানা উখি। কন্না ঙাঙনদুনা থাউগী মমলদু পীরম্লগা অতিয়ানা খুদোপ্তু পুরক্লে। মালেমগী চাওরাকপা মরী মখোঙ অমা খঙদোক্লগা হল্লক্লবা মতুংদা অতিয়াগী মমান্নবা পিটরগা লোয়ননা মালেমগী খোঙ্গুল লীবা হৌরম্মী। অদুবু মালেম্বু ফংবা ঙমদনা অতিয়ানা খুদোপ্তু পুরগা ময়ূমদা হল্লক্লম্মী। নোংমদি শোয়দনা মালেম্বু ফংগনি হায়বগী ৱাকলদা লৈনরম্মী হৌজিক্তি মতম অমদা নাপলনা থুমহৎলম্বা মালেমগী মমা মপাদু নাপল য়াওখিদ্রে। খানরম্বা শম্বল লৌথোকখ্রে। অচুম্বা নুংশিবা অফবা ৱাখল হায়বসিনা মতম খুদিংমক্তা লাকচরকই হায়বদু মতাং অসিদা নীংশিংহল্লি। তুইবোংদসু জুল্লিগী মপা রোমিও লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রে। মরম অদুনা মালেম্না কনা লৈজদ্রবা ইমুং অদুগীদমক খন্দুনা যূম অদু থাদোক্তুনা চৎপা ঙল্লমদে। অদুবু মালেম্না মহাকপু নুংশিনা তৌবিরকখিবা দিমাপুরগী ইমুংদুবুদি কাউবা ঙল্লমদে। রোমিওনা তৌরম্বা ঠিকাগী বিল অদুনা পোৎয়োনফম চাউনা ফমদুনা নুংঙাইনা লৈরক্লে। মদুদা লৈকায়গী মীনোকসু চঙবা হৌরকই। তুইবোং খুলগী খুল্লাকপগী মচা জোন হায়বা অমসু থোরক্তুনা মালেম্বু নুংশি চান্ননা লোয়নরিবা থোইনুগী ইমুংদা হু কামশিনবতা নত্তনা মালেমগা খূৎ থোক্লা খৎনবা য়াওরকখি। অদুবু থোইনুনা মচা জুল্লিবু মালেমদা পীনীংখি।

নোংমা মালেমগী লৈকায়গী মখুরা অমা অরুবা থবক অমগী চুড়াচান্দপুরদা লাকপদা মালেমগী পোৎয়োনফমদা চঙলক্তুনা পোৎ লৈরম্মী। মদুদা মালেমগা য়াম্না থাজদনা উনবা অদুদা হরাওরম্মী। মালেমগী মপাসু নাদুনা লৈ হায়বা পাউ তারবদা মালেমসু ময়ূমদা হন্নীংলম্মী। অদুবু থোইনু অমসুং মচানুপী জুল্লিগা খন্নদনা ফুক হৌগৎতুনা চৎপা ঙল্লমদে। মালেমগী লৈকায়গী মখুরাদুনা ময়ূমদা হনখ্রগা মালেমগী মমা মপাদা মালেম লৈহৌই হায়দুনা পাউ তল্লম্মী। নুমিৎ অফবা অমা য়েংলগা লৈকায়গী মখুরাদুনা মালেমগী মমা মপা অনীমক পুদুনা মালেম্বু লৌবা লাক্লে। মালেমদি চৎখ্রে, থোইনু অমসুং মচানুপী জুল্লিনদি মালেম্বু অমুক হল্লক্লরোইদ্রা খন্দুনা নুংশা থিহৌরি। মালেমসু মমা মপানা ফল্লম্বা পোৎয়োনফমদুদা ফম্বা হৌখ্রে। অদুবু দিমাপুর অমসুং চুড়াচান্দপুরগী মহাকপু কনবীরকখিবা ইমুংশিংদুবুদি কাউবা ঙল্লমদে। মালেমগী মপা মাংগোলজাওসু লিভর অমসুং কিদনিদা নারকপনা মরম ওইদুনা কিদনি শিন্দবা য়ারোইদৌরে। অদুবু মালেমগী কিদনি নাম্মদি নিংবোইগী মপাদা পীথোকখ্রবনিনা ফনা য়াম্না ঈ চানরবসু মালেমদগী কিদনি নাম্মা পীবদি য়াররোই। মখোয় দেল্লীদা মাঙ্গোলজাওবু পুদুনা অনাবা য়েংবা লাক্লে। অতিয়াদগী কিদনি অমা লৌথোক্তুনা মখুরা মাঙ্গোলজাওদা হাপখ্রে। মাঙ্গোলজাওগী ওপরেসন মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা নীংশিংলকখি মতম অমগী ৱারী। অতিয়াগা তিন্নরবদি মচা মাঙবা তারে নীংদুনা মালেম্বু মহৈ তম্ফম হোংহনখিবনি। অদুগা ঙসিনা মহাক্কী মচা মালেম্না অৱাবগী ঈপাক্তা কোয়চৎ চৎলুবতা নত্তনা শিরমগদৌবদগী মহাক্কী মখুরাবু অতিয়ানা কল্লরি। মতাং অসিদা অইবীনা মীগী মাঙননবা তৌরবদি ইশাগী হান্না মাঙই অদুগা নুংশিববু চেৎনা থাগোন্নজরিবা কনাগুম্বগী মফমদদি নুংশিববু কৈদৌনুংদা মাঙখিদে হায়বদু মতাং চানা নীংশিংহল্লি। খঙহৌদনা দেল্লীগী লায়েংশঙ অদুদা ডাক্টর নিংবোইসু থেংনরে। কাঙলূপ তোঙাল্লি হায়বগী খেন্নবা থম্নদনা অমগা অমগা কোইচেন চেন্নদুনা মতেং পাংনরি। মাঙ্গোলজাওদি অনাবা ফরক্লে। অদুবু নীংবোইগী মপা যোসেফতি অনাবগী ফীভম লুশিল্লক্লে। যোসেফনা মচানুপী অতোনবী থংমিলাবু মালেমগী মখূত্তা শিন্নরম্লগা তাইবঙপান থাদোকখ্রে। মাঙ্গোলজাওনসু থংমিলাবু মমৌ ওইনা লৌশিনখি। মচে নিংবোইসু মীরৈবাক্তা মখা মহৈ তমথরুনবা খোঙ থাংদোকখ্রে। অমরোমদা মালেমগী মমানদি চুড়াচান্দপুরদগী জুল্লিবু মচাগী মথ্বায় কনবীরকপগীদমক মমৌ ওইবা পাল্লম্মী। জুল্লিগী মমাগা ৱারী শানদুনা ৱা লোইথোক্লরম্মী। দেল্লীদদি থংমিলাবু মৌ ওইনা লৌশিনখ্রে। মখোয় অনাবা ফরদুনা ময়ূমদা থোরক্লে। জুল্লিবু মমৌ ওইননবা ৱা লোইশিন্নখ্রবা মতুংদা থংমিলাবু পুদুনা লাকপা অসিদদি মালেমগী মমা খম থেংনা শাউখ্রে। অসুক চনৈনরক্লবা তাঞ্জা অসিদা অইবীগী হৈ শিংলবা পোরম অমা পুথোরকখি। অতিয়ানা লিনসু শিনবা চৈশুসু তেক্তনবা শিনখি। অতিয়ানা কনাসু খঙহন্দনা চুড়াচান্দপুর তান্না চৎতুনা মালেমগী ওইরম্বা অমদি ওইরিবা ফীভমগী ৱারী খুদিংমক জুল্লিদা লীদুনা থংমিলাগীদমক কথোকপীরক্লনবা ৱারী শানরুরে। অদুবু মালেমদি মমাগী ইশৌ অদুদা খাঙবা ঙমদদুনা থংমিলাবু পুরগা মফম কদায়দনো অমা চৎননবা হোৎনরম্মী। নুমিৎ অদুগী অয়ূক্তা নিংবোইসু লাক্তুনা মনাওনুপী থংমিলাগীদমক অউনপোৎশিং থৌরাং তৌরে হায়না পাউ পীবা লাকখি। তাঞ্জা চানা জুল্লিগী মমাসু লাক্তুনা জুল্লিসু লুহোংগদৌরে হায়দুনা শাজিন্নবা চেবাউ অমা পীবা লাক্লম্মী। মালেমগী মমা পুমঙক ঙকখি। হায়নখিবা ৱাফম থুগাইবগীদমক য়াম্না শাউখি। অদুবু অতোপ্পা লম্বী অমা লৈরি, মালেমগী মমানা শাউনীংবদগী ফাথরগা হায়রকখি - “ঐখোয়গীসু ইচানুপা লুহোংবগী মতম লেপ্পগনি, মাঙদা ফল্লিবীসি ডাক্টর নিংবোই। লুহোংগদৌরিবা কৈন্যাদুগী মচেনি...”

অতিয়া অমসুং জুল্লিগী থৌশিল মায় পাকখ্রে। নহানমখৈ মালেমগা থংমিলাগা লুহোংবীননবা ৱাফম শুকয়া য়ারমদবা মালেমগী মমানা ঙসিদি অতিয়াগী মমাদা মালেম অমসুং থংমিলাবু লুহোংনবগীদমক পাঞ্জিদা কুঠি য়েংননবা হংলকখি।

“মসি নত্তনদি করি পাম্বে লৈরিবগে... ইচা জুল্লিগী নীংবা থুংজরেদনা।”

জুল্লিগী লুহোংবগী শাজিন্নবা চেবাউদু পীরম্লগা থোরকপদা জুল্লিগী মমা থোইনুনা মথন্তা শোঞ্জখিবনি। অসুম্না জুল্লিগী কথোকপদা ৱারী লোইশিল্লি। অচুম্বমক্লি, নুংশিবা হায়বসি কথোকপদুনি। কথোকপসি য়াওরমদ্রবদি ৱাথোক লাম্হোক য়াল্লমগনি।

মহাও মখল শুনা য়াওরবা লাইরিক অসি অঙাং অহল খায়দনা মীপূম খুদিংমক্লা পাবদা মতিক চারবা লাইরিক অমনি। ওজা ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনীগী “মালেম অতিয়া” না হায়রি - পুকচেল পিক্কনু, থৌজাল হৈয়ু, মিনুংশি লৈয়ু, কথোকপা তম্মু, মতমদুদা তাইবঙবু শেন্বীবা মহাক্লা শোয়দনা তেংবাঙবীরক্কনি। মদুনা ঐখোয় পূম্নমক্কী লাইনীং ওইরসি।

ওজা ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনিনা মখা তানা খুন্নাই অসিগী য়াইফননবা হীরমদা খূৎ থারক্তুনা মতিক ময়াই চেল্লবা লাইরিক কয়া মথং মথং ফোঙলকপা ঙম্বা তাইবঙ শেম্বা মপুনা পীনবীবা ওইরসনু।

- *মোইরাংথেম নেত্রজিৎ মীতৈ*

# পলহৌরবা কাউশিং (১)

ওজা লাইরেনলাকপম সরতকী ‘পলহৌরবা কাউশিং’ হায়রিবা লাইরিক অসি অঙোম নিংথৌ প্রিজার্ভেসন এন্দ দোক্যুমেন্টেসন সেন্টর শম্না এ পি দি সী, উরিপোক অচোম লৈকায়দা লৈবসিগীদমক এল সী মারতিনানা ফোঙবনি। মখুমগী শক্তম কেংসুংবৌ ন্যুমাই তামৈনি। নম্ফম্না লাইরিকসিগী মতুংইন্না শর্ম্মা প্রিন্টিং পব্লিকেসন খুরাই লমলোংনি। লমায় ১১০ পাল্লি। লাইরিকসি আর্ট পেপরদা নম্বনি, ময়েক লারবা, মচু শংলবা, ফোটো ২৫ মফম মতম চানা য়াওরি। মসিনা অইবগী কলমবু তশেং তশেংনা অপাবশিংগী মিৎয়েং চিংশিল্লি। লাইরিক অসিগী মমলনা লুপা ৩০০নি।

লাইরিক অসিগী মিংথোল “পলহৌরবা কাউশিং” হায়রিবা অসিমক অইবনা য়াম্না কুপ্না খল্ল তুংদা থোনবনি হায়নীংই। মরমদি তুরেলগী ঈচেলসি লেপ্তুনা চেন্থে। ইচেলদা য়াওরকপা কাউশিংনা মফম চানা পনখ্রবদি অদুম লেঙদনা লৈ, মতৌ অসিগুম্না অইবগী পুন্সি ঈচেল তুংইন্না থেংনখিবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া থম্মোয়দা মচু শংনা কোক্তনা লৈরিবদুনি পলহৌরবা কাউশিং। লাইরিক অসিদা য়াওরিবসি ৱারেং মরি- ঙমখৈগী খোঙচৎ, টেজপুরদা চয়োল অমা, ত্রিপুরাগী খোঙচৎ অমদা, মগুলোং খোঙচৎ মরি অসিনা লমকোয় ৱারীগী মনুং চল্লি। চিথহৌরবা চেনা, বজার শেন্দ্রাং, পুন্সিদা দাগফম অহুম অসিনা অইবগী পুন্সিগা মরী লৈনবা ৱারেংনি। পূন্না তরেৎনি। ইম্ফালগী বজারদা অইবগী মীৎয়েং ফজনা য়েকই অদুগা লমায় অমগা তঙ্খায়গী ‘পুন্সিদা দাগফম অমা’ হায়বা অসিদনা ইন্টিগ্রেসনগী অশেংবা শক্তম উবা ফংই, তেল্লবসু মমল লৈবা ফিদম ওইবা ৱারেংনি।

“চিথহৌরবা চেনা” অইবগী পুন্সিগা মরী লৈনবা ৱারেং মচা অমনি। মোইরাং কোলেজদা ওজাগী শিনফমদা মণিপুরী দিপার্টমেন্টদা লেকচরর ওইদুনা চহী মাপন (খৃ: ১৯৮৪-১৯৯৩) লোমনি। হায়বসিনা অইবগী পুন্সিগী ৱারীগী মশক ময়েক শেংলকই। অইবগী পুন্সিসি “অৱা মচা লেম্না মাঙদে হায়বা পাউরৌদুনি”। হোৎনবা কল্লি, অখাং কল্লি। মীনুংশি চাউই, মরাইবক থীরবা আশা মাঙশিল্লক্লবশিংদা অনৌবা আশা পীদুনা লমজিংই। মসিগী লেংদ্রবা খুদম লবচন্দ্র শর্ম্মনি। কুমজা ১৯৮৮দা মেত্রিক থাহন্দুনা বি এ লোইশিনহনখি। লোয়ননা মী ওইহনখি।

অইবনা হায়জৈ মদুদি ঙসিগী সমাজদদি ঐদি করিসু নত্তে, উৎ-ৱায়দগী হৌরকপগুম্বনি। ৱাফমসি পাউরৌ ৱাহৈনি, য়াম্না শম্না ফোঙদোকপা Brevity নি। মোইরাং কোলেজদা এদহোক ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা ওইখিবা পুন্সিগী মশক, দুকানগী অয়াকপা খোনফম, পাম্বে লৈরক্ত্রবদা অফংবা খরনা চরা নোংখন্নখিবা কোলেজ চৎনবা গাড়ী অতোংমল লৈতবদগী সাইকলনা চৎখিবা, মতমসিগী ওফিসকী ঈশিং নুংশিৎ, মথৌ মশক খঙদবা, থকসি খাসি নাইদবগী মতাংদা বিষ্ণুপুরগী ত্রেজরিগী ক্লার্ক অমদা মহাক মশক তাক্তুনা খঙহনখিবদুদা শীজিন্নখিবা ৱাহৈদুনা ওজা ওইগদবা ওজানি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলকই। অইবসি য়াম্না চেকশিন্না ইবগী মমি তাই, ১৬-৮-১৯৯১দা কায়খিবা এরোপ্লেন বোয়িং টাইপ ৭৩৭-২০০গী কায়দ্রিঙৈ মমাঙগী ফোটো অমদি থাংজিং চীংদা কায়খিবগী শক্তম ৱারেং অসিদা য়াওরি। মসিনা অপাবশিংদা মিৎ, নাকোং ওইহনগনি।

“ঙমখৈগী খোঙচৎ অমদা” (অনীশুবা ৱারেং) পায়খৎচরি, লমায় ১৯গী লমকোয়বগী ৱারেং অমনি। তাং ২০-১০-২০১০, যূমশকৈশা নুমিৎতা Indian National Trust for Cultural Heritage (INTACH) গী থৌশিল মখাদা (Listing and Documentation of the National Heritage of Manipur and Habitat studies of Nongin) হায়বসিদা মণিপুরগী ঙমখৈ ওইরিবা টিপাইমুখ খোঙচৎকী মশক নাইরবা মীওই ১৪গী লমকোয় ৱারীনি। মীওইশিং অদুদি হৌজিক হৌজিকমক সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী এদ্যুকেসন এন্দ ফোরেন এফ্যেরসকী ষ্টেট মিনিষ্টর ওইরিবা ওনরেবল ডা. আর কে রঞ্জন, ডা. কে ঐচ শামুঙৌ, ডা. পি কুমার, ডা. কর্নেল হেমো, আর কে বিরজিৎ, আর কে নবকুমার, ডা. টি ঐচ দোলেন, টি ঐচ সোমোরেন্দ্রো (জিরিবাম), আর কে নরদেভ, এস কুল্লা (জিরিবাম), গোজেন শর্ম্মা, ডা. এল সরত (রাইটর), কে ঐচ ব্রজেস অমদি এম নোবিনচন্দ্রনি। জিরিবামগী মীওই অনী য়াওনা অয়ূক্কী পুং ৮/৯গী অদুৱাইদা ন্যু কছার রোদতা টাটা সুমো অনীদা টিপাইমুখকীদমক ইম্ফাল থাদোকপনি। নুমিৎয়ুংবগী অদুৱাইদা নুংবাদা থুংই। খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা ময়েক শেংনা মচু শংলবা ফোটো তরুক য়াওরি। লম্বীসিদা গাড়ী ইনবগী ফোটো অমনা লম্বীসিগী মশক্তু ময়েক শেংনা উৎলি। জিরিদা সোমোরেন্দ্রগা কুল্লগনা ওক্লম্মী। লোয়ননা ইলেক্ট্রিসিটিগী আই বিদা অহিং লেকই, নুমিৎ নীনি-হুমনি মমাঙদা ক্বা মনা লৌবা চৎখিবা বঙ্গালি ২/৩ লৈখিদবগী পাউ লৈবনা য়াম্না কুপ্না খন্নরবা মতুংদা তাং ২১/১০/২০১০গী অয়ূক পুং ৯দগী কছারগী ফুলেরটরদগী বরাক তুরেলদা টিপাইমুখকীদমক মোটোর বোট অমা হঙ্গৎ হন্দাগী লুপা লিশীং ১৪দা য়ানদুনা চৎলি। বরাক্কী ঈচেলদা হঙ্গৎনা থৌগৎপনিনা মঙম শান্দে, নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা খোইরাকপা ইরেন্দা থুংলে। ইরেল অসি চহী ৭ খুন্তাকপগা মরী লৈনৈ। মসিগীসু ময়েক শেংলবা ফোটো অমা য়াওরি। খুন্তাকপগী মতমসিদা খোইরাকপগী ফমথোল পায়রম্বা নিপা অমা লাই নীংলম্বা অমদি নোঙ্গাখিবা মফমনি। প্লেস নেম লেজন্নি। মসিদগী অমুক থৌগৎলকপসিনা জিরিমুখতা থুংই। জিরিমুখ, জিরি তুরেলগা বরাক তুরেলগা তিন্নফমনি। মফমদুদা ফোরেষ্ট ওফিসতা মৈতৈ মচা অনী/অহুম লৈরম্মী। অহিং লেক্কদৌরিবা খুন্দুগী মমিংসি “সিবা পুরি মার-ভিলেজ মণিপুর” হায়না সাইন বোর্দতা ইরম্বদগী খঙই। খুলদু ক্বা মনা লৌবা চৎখিবা মাঙখিবগী মতাংদা ঈরাং লৈরম্বা থেংনখি।

মথংগী অয়ূক্কী তাং ২২গী টিপাইমুখকী খোঙচৎনি। লেপ্তুনা থৌগৎলকপনা নুমিদাংৱাইগী মল্লি-মল্লি তৌরকপদা তুবাই তুরেলগা বরাক তুরেলগা ইতিন্নফম টিপাইমুখতা থুংখি। মফমসিদা গভর্ণমেন্ট লৈবগী করিগুম্বা খুদম অমত্তা উবা ফংদে। মসি ইরমদম অসিগী লাইবক থীবনি। মফমদুদা লৈরল্লিবা খুল্লাকপগা উন্নখি অমদি লৈরল্লিবা মীশিংদুগী মীওক মীচান্দি ফিদমনীংঙাইনি। হীরম খুদিংমকসি অৱাৎ অপা অমত্তা লৈতে। মমলদি ৱাংই, ৱাংফমসু থোকই। মসি লম্বী থোংগী মখা পোনবনি। থুংলরিবশিংদুনা লৈরিবসি লম্পাক মচা অমদনি। খুল্লাকপদা হায়জরুবগী মতুংইন্না লৈশাবী খরনা শীং খরনা ঈশিং পুরদুনা হীরম খুদিংমকসি পুরদুনা লাকই। লোয়ননা অহিংদু মখোয়গী ফমুংদা তূমহল্লি। মখোয়না মীতোপকুম্না লৈপাক্তা থারগা তূম্মী। মসি মখোয়গী শেন্দাল লম্বী লৈতবনা শেল খরদং ফংনবা পাম্বে থিবনি। মখোয়গী শিনফমদি বরাক্তা ঙা ফাবা অমদি পোথাং পুবনি। মসিগী মমলনা কিলো অমদা লুপা অহুমনি। মখল অমগী পুন্সি মহিংনি। মখোয়না কোল-লিক্কী, ঈশিংগী, চান-থক্লবগী তোঙান তোঙান্না শেনফম মরিগী হিসাব পীরকই। হিসাবতু ওজা রনজন্না য়েংলগা চাক্তি ওজা সরতনা থোংবগুম উই হায়বদা মখোয়সু হোয় হায়রকখি। লুপা ২০০০ পীখি। হরাউ হরাউ অদুম লৌখি।

মতম অমদা শিলচরদগী কাখিবা এম পি সন্তোস মোহোন দেবনা দাম শাগে তৌরম্বদু বরাক অমদি তুইবাই তুরেল অনীগী ইতিনফমদগী হেক মনীং থংবদা মিটর ১৫০ চৎথরগা লৈ। মখারোম থংবা চিংমাইদুনা মিজোরামগীনি। অদুগা অৱাং লোম থংবা অদুনা মণিপুরগীনি। মফমদুদা বরাক্লা পাকপসি মিটর ৭০-৮০ রোম ওইগনি। ইপান থাদদি য়াম্না হেন্না পাক্লমগনি।

- *শংলাকপম অচৌ শর্ম্মা*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।